হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

মণিপুর ইন্টর-নেসনল টেক্সটাইল এক্সপোগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা হেন্দিক্রাফট দেগী থৌরমদা ষ্টেট এৱার্দ ফোর হেন্দিক্রাফটকী এৱার্দ খূৎশিন্নবা

লামায় ৩

টেক্নোলোজি ইনক্যুবেসন সেন্টর হাং-দোক্লবা নৈলিট অমদি জোবসেঞ্জ প্রাইভেট লিমিটেদ সিঙ্গাপোর টেক্নোলোজি কম্পেনিগা এম ও এ খূৎয়েক পীনবা

লামায় ১

ইন্দিজিনস মাইনোরিটি সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন অমদি য়ু পি এফনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা চীং-তম চাক্কৌবা থৌরমগী শক্তম অমা

লামায় ১

য়াইফনবা শেন্বা কাঙলূপ, শমুরৌ কৈথেলনা শীন্দুনা এলাংবম দীগমনিগী সাহিত্য : মমল লেপ্পা হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা সেমিনারগী শক্তম

লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.228 | নোংমাইজিং, হিয়াঙ্গৈ ৪নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, November 11, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

পাউচে অসিগী ঙসি ফোঙলিবা এদিসনগী ওইনা *খোরিরোলগী অখন্নবা লামায়* ৮শুবা লামায়দা ফংবীগনি।

য়ং সাইন্টিষ্ট এৱার্দ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০: জপানগী কানাজাৱাদা এসোসিএসন ওফ এসিয়ন পেসিফিক ফিজিকেল সোসাইটিজনা শীন্দুনা নবেম্বর ১২ দগী ১৭ফাওবা পাঙথোক্লদৌরিবা এ এ পি পি এস - দি পি পি কনফরেন্সতা মণিপুরগী ডা. লাইশ্রম মোধুচন্দ্রদা য়ং দোক্তরেল সাইন্টিষ্ট এৱার্দ - ২০১৮ (চহী ৩০ মখাগী) পীগদৌরি। প্লাজমা ফিজিক্সকী লমদা থিওরিটিকেল অমসুং ন্যুমরিকেলগী ওইবা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক লাইশ্রম মোধুচন্দ্রবু এৱার্দ অসি পীনবা খল্লকপনি। ডা. মোধুচন্দ্র থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক ময়াই লৈকাইদা লৈবা এল কামদেবো অমসুং পুজারিগী মচানুপানি। দিল্লি য়ুনির্ভসিটিদা বি এস সী অমসুং এম এস সী ফিজিক্স লোইশিল্লবা মতুংদা মহাক গুজরাটকী ইন্সটিট্যুট ফোর প্লাজমা রিছার্সতা পি ঐচ দি তৌখি। মহাক হৌজিক *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৫.৯২ °C	১৪.১০ °C
চান্দেল	২৮.৪৬ °C	১৩.৬০ °C
সীসীপুর	২৬.৭৩ °C	১৩.৪৯ °C
ইম্ফাল	২৯.৯৬ °C	১২.৯৮ °C
সেনাপতি	২৫.৬৯ °C	০৯.৫২ °C
তমেংলোং	৩৩.৩৩ °C	১৪.২৮ °C
থৌবাল	২৫.৬৪ °C	১৩.১৭ °C
উখ্রুল	২১.৮৬ °C	০৯.০০ °C
মণিপুর	৩৩.৩৩ °C	০৯.০০ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৮

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৯

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	82.198003
US Dollar	72.503538
British Pound	94.043464
Australian Dollar	52.393040
Chinese Yuan Renminbi	10.422125
Japanese Yen	0.637257
Malaysian Ringgit	17.331290
Australian Dollar	52.393040
Singapore Dollar	52.581657
South Korean Won	0.064140
Saudi Arabian Riyal	19.334277
Thai Baht	2.193272
Myanmar Kyat	0.04610
Bangladesh Taka	0.86670

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 31925.13
Mumbai	–	Rs 33272.73
Delhi	–	Rs 32620.32
Kolkata	–	Rs 33262.03

HL POLL

Q : Ningol Chakkouba nangnaba Manipur da nga marang kaina puthokpa ngamle haina louba yarabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak **www.hueiyenlanpao.com** da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Ningol Chakkoubagi khudol pibada hidannabagi thouong leiramba adu chahi khara asida hanthare haina loubra?

Yes 33% No 67%

অস! লোইরেহে!

গ্যাস ফ্রীদা পীরনেয়ে,
ঐখোয়সু অমত্তা লৌহৌসে...!

ꯒꯦꯁ ꯐ꯭ꯔꯤꯗ ꯄꯤꯔꯦꯅꯦꯌꯦ,
ꯑꯩꯈꯣꯌꯁꯨ ꯑꯃꯇ ꯂꯧꯍꯧꯁꯦ...!



অহানবা য়েনবদংফ্রীনি, ফ্রী শেংফাৎতে!

ꯑꯍꯥꯟꯕ ꯌꯦꯟꯕꯗꯪ ꯐ꯭ꯔꯤꯅꯤ, ꯐ꯭ꯔꯤ ꯁꯦꯡꯐꯥꯠꯇꯦ!

লোক্তাক্তা অয়ুশ ফ্লোটিং হেল্থ ক্যের প্রোজেক্ট পায়খৎনবা মীৎয়েং থল্লি

মাইবম কেনেদী

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): লোক্তাক পাৎতা হি শীজিন্নদুনা অয়ুশ ফ্লোটিং হেল্থ ক্যের সেন্টর কম অয়ুশ টুরিষ্ট ফেসিলিটি প্রোজেক্ট পায়খৎননবা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং থল্লি।

থাঙ্গ, করাং অমসুং লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা অয়ুশকী লায়েং পথাপশিংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা লোক্তাক পাৎতা ফিট ২৪ পাকপা ফিট ৮৫ শাংবা হি শীজিন্নদুনা অয়ুশ ফ্লোটিং হেল্থ ক্যের কম অয়ুশ টুরিষ্ট ফেসিলিটি প্রোজেক্ট অসি পায়খৎননবা মীৎয়েং থল্লকখিবনি। হৌখিবা ওক্টোবর থাদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (অয়ুশ) শ্রীপাদ য়েসো নাইকতা ফ্লোটিং হেল্থ ক্যের সেন্টর কম অয়ুশ টুরিষ্ট ফেসিলিটি প্রোজেক্ট অসিগী প্রপোজেল পীশিনখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটতা প্রোজেক্ট প্রপোজেল পীশিনখিবা অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী অয়ুশকী দিরেক্টর ডো. এ গুনেশ্বর অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসল খরসু শরুক য়াখি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবা অমদা অয়ুশকী দিরেক্টর ডো. এ গুনেশ্বরনা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী লিচিং মখাদা অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা অনৌবা খোঙথাং অমা ওইনা অয়ুশনা ফ্লোটিং হেল্থ ক্যের সেন্টর কম অয়ুশ টুরিষ্ট ফেসিলিটি প্রোজেক্ট অসি লোক্তাক পাৎতা পায়খৎনবা মীৎয়েং চঙলকপনি। প্রোজেক্ট অসিগী প্রপোজলসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (অয়ুশ) শ্রীপাদ য়েসো নাইকতা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ওক্টোবরগী অহানবা চয়োলদা পীশিনখিবা লৈখ্রে। প্রোজেক্ট অসিগী মরুওইবা পান্দমদি থাঙ্গ, করাং অমসুং লোক্তাকপাৎগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং অনা-অয়েক য়াওরকপদা লম্বী থোংগী নাতে চাদবা লৈবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মফম অসিগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা খূদোংচাদবশিং অসি খরমখৈদা ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা অয়ুশকী খুথাংদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা পীনবা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎনবা হোৎনরিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, লোক্তাক পাৎ অসি টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইবনা লৈবাক অসিগীতা নৎতনা মপান লৈবাক্তগী লমকোইবশিংনা পাৎ অসিগী ফজবা য়েংবা লাক্লরি। টুরিষ্টশিং অসিনা লোক্তাক পাৎকী মহৌশাগী ওইবা ফজবশিং য়েংবা লাকপা মতমদসু অয়ুশ ফ্লোটিং হেল্থ ক্যের সেন্টর কম অয়ুশ টুরিষ্ট ফেসিলিটি অসিনা খূদোংচাবা কয়া ফংহনগদৌরিবনি। প্রোজেক্ট অসি মপূং ফানা পায়খৎনবা হোৎনবদা ফিট ২৪ পাকপা অমসুং ফিট ৮৫ শাংবা হি শীজিন্নগনি। হায়রিবা হি অসিগী মনুংদা অয়ুশ হেল্থ ক্যেরগী ফেসিলিটি পীগনি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

চীনদা গো টু হিল হায়না লাউরবসু থবক্তি কিল টু হিল ওইরে : গাইখাঙম

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): মীয়াম্বু নুংশিবা শাজিন্নবা পার্টিনা কয়াম কুইনা লৈগনি, অশেংবা লৈঙাক লাক্কদবা কুইদ্রে। চীনদনা গো টু হিল হায়না লাউরগা থবক্তি কিল টু হিল ওইরে হায়না হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

অদিবাসি কোংগ্রেস দিপার্টমেন্ট, মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)না শীন্দুনা কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা সেদ্যুল্ড ট্রাইব পার্টি লিদর অমদি ৱার্করশিংগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সতা ৱা ঙাংলদুনা এ আই সী সীগী সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বর ওইরিবা এম এল এ গাইখাঙমনা হায়খি, বি জে পি অসি লায়রবগী মায়োক্তা অমদি মাইনোরিটিশিংগী মায়োক্তা লৈবা পার্টিনি। অসিগুম্বা পার্টিনা লৈঙাক পায়বসি লাইবক থীবনি, কুইনা চৎলোই। মীয়াম্বু নুংশিবা শাজিন্নবা পার্টিনা কয়াম কুইনা লৈগনি। অশেংবা লৈঙাক লাক্কদবা কুইদ্রে।

গো টু হিল হায়না চীনদা হায়রবসু থবক্তি কিল টু হিল ওইরে। চীংদা চৎসি হায়রগা চীংগী পায়খৎফম থোকপা কয়া অমদি পায়খৎত্রে। ষ্টেটসিগী চীফ সেক্রেটরি ওইবা য়াবা চীংমী অমসু চীফ সেক্রেটরি ওইহন্দে। কোলেজ কয়া লৈঙাক্কী ওনখৎলকপা মতমদসু হাপতে। খুঙ্গং চৎসি হায়রিবা অসিসু জিল্লা পরিষদ, প্রধানশিংনা তৌজগদবা থবক কয়া তৌদুনা লৈরে। এম জি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা নুমিৎ ১০০ নি থবক পীগদবা অদুসু পীবা ঙমদে। তেল্লবা নুমিৎ খরনিখক থবক পীরি।

য়ু পি এগী মতমদা লূক ইষ্ট পোলিসি হায়রম্বা অদুসু বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী মতমদা এক্ট ইষ্ট পোলিসি হায়খ্রে। অদুবু, থবক্তি য়াঙনা পায়খৎলকপগী মমি তাদে। চীংগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ট্রাইবেল মার্কেট শানবগীদমক কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদা দি পি আর শেমদুনা পীখৎলম্বা লৈখি। হৌজিক ষ্টেটসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চীংগী মফম কয়াদা নুপী কৈথেলশিং শাবা লোইদুনা শঙ্গাবা অসি অফবা থবকনি। অফবা থবক্তদি অদুম্মক ফৈ হায়গনি। লৈঙাক হায়বসি মখা চৎথরকপা ঙাক্তনি।

মণিপুরদা পূন্না হিংমিন্নরিবা ঐখোয় অসি অমত্তনি। চীংদা লৈরিবশিংসু, তমদা লৈরিবশিংসু অমত্তা ওইনা হৌমিন্নরকপা ঙাক্তনি। তম্পাক্তা লৈরিবা কয়ানা জেনরেল ওইনা লৈজগে হায়না মতম অমদা সেন্টরদগী লাকপা মীহুৎশিংদা হায়খিবদগী জেনরেল ওইনা লৈখিবনি। চীংগী মফম কয়াদা লৈবা মীওইশিংনা খরা শোত্থে, এস টি ওইনা লৈজগে হায়বদগী এস টি হায়না খায়দোক্লম্বনি। তম্পাক্কী মফম কয়াদা সেদ্যুল্ড কাষ্ট ওইনা লৈবা মফম কয়া অমসু লৈরিবনি। লাইনিং-লাইশোলদি মানা-মানা অপাম্বা মওং অমদা লৌনজখিবনি। মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহল্লু হায়রিবসি মেরিট লৈ, খন্নবা য়াবা ৱাফমনি।

ষ্টেটসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

ফুরুপশিং পূনশিন্নবা, নুংশিনবা নৎতনা পাম্বৈ লৈতে : লৈশেম্বা

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): মতম অমদা চীং-তম খায়দোক্লরম্বা, মাঙই-শেংই হায়রম্বা, চঙবা য়াই য়াদে হায়রম্বা অদু হৌজিক্তি লৈত্রে। মণিপুরগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা হেন্না খুমাং চাউশিন্না চঙশিনসি হায়রবদি ফুরুপ খূদিংমক পূনশিন্নবা অমদি নুংশিনবা নৎতনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে হায়না নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা চীং-তম নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিজিনস মাইনোরিটি সোসিও কলচরেল ওর্গনাইজেসন মণিপুর অমদি য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা চীং-তম চাক্কৌবগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, মবুং-মৌপ্পাগী নুংশিনবগী লীপূন শাগৎপা, চহী ১গী মনুংদা অমুক্তং পাঙথোকপা, মালেমদা লৈতবা তাঙলবা থৌরম অমনি। মসিগী ৱারী হঙ্গৎনা য়েংবদা চহী ২০০০ শুগদৌরে। ৩৩ এ দিদা পাল্লম্বা নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদগী মহাক্কী লোয়নবী লাইস্নানা মপাম লমদমদা মবুংগী মনাক্তা চৎপদা মবুংনা মাগীমদক অহাওবা চাকহাও পোইরৈতোন অদুগা চাকহাও মোনখাং হাপ্পীরকখিবা অদু পুরগা ময়ূমদা হল্লকপদা মপূরোইবা নোংদা লাইরেন পাখংবনা চারুবা মতমদা হাওবা, মনমসু নুংশিবা অদুনা করি চেঙনো *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

নৈলিট ইম্ফালদা টেক্নোলোজি ইনক্যুবেসন সেন্টর হাংনবা এম ও এ খূৎয়েক পীনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (নৈলিট) ইম্ফালদা টেক্নোলোজি ইনক্যুবেসন সেন্টর হাংদোক্লবা নৈলিট অমদি জোবসেঞ্জ প্রাইভেট লিমিটেদ সিঙ্গাপোর টেক্নোলোজি কম্পেনিগা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট (এম ও এ) খূৎয়েক পীনখ্রে।

নৈলিট ইম্ফালগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা এম ও এ অদু খূৎয়েক পীনখি। নৈলিটকী মায়কৈদা ইন্সটিট্যুট অসিগী এগজিক্যুটিব দিরেক্টর টি ঐচ প্রমেশ্বরনা খূৎয়েক পীখি। জোবসেঞ্জ প্রাইভেট লিমিটেদকী মায়কৈদনা জোবসেঞ্জগী সী ঈ ও মোনিশ করামনা খূৎয়েক পীখি।

মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা অদুগী মতাংদা নৈলিটকী এগজিক্যুটিব দিরেক্টর টি ঐচ প্রমেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, জোবসেঞ্জ প্রাইভেট লিমিটেদকা খূৎয়েক পীনরিবা অসিনা নৈলিট অমদি জোবসেঞ্জকা পূন্দুনা ষ্টার্ট অপকী থবক থৌরাংশিং পাঙথোক্লগনি অমদি ইনক্যুবেসন সেন্টর অমা হাংদোক্লগনি। নৈলিট ইম্ফালনা মখোয়দা মফম অমদি টেক্নিকেল সপোর্টশিং পীগনি। ষ্টেট অসিদা ষ্টার্ট অপকী থবক পায়খৎলকপদা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী সপোর্ট কয়া পীগনি। স্কিল ইন্দিয়া, ষ্টার্ট অপ ইন্দিয়া অমসুং মেক ইন ইন্দিয়াগী ভিজনশিং থবক্তা ওন্থোকপদা চাওনা মতেং ওইগনি। আই টি/ইলেক্ট্রোনিক্স ইন্দষ্ট্রি লিংখৎনিংবা ওন্ট্রেপ্রেন্যুর কয়াদসু সেন্টর অসিনা খূদোংচাবা পীগনি। টেক্নোলোজিগী সপোর্ট কয়াসু পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জোবসেঞ্জকী সী ঈ ও মোনিশ করামনা ফোঙদোকখিবদা, নৈলিটকা খূৎশম্নদুনা অসিগুম্বা সেন্টর অমা হাংদোকপা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। নৈলিটকী এগজিক্যুটিব দিরেক্টরগা ৱারী শানরবা তুংদা অসিগুম্বা খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জি পি এস সেটেলাইট টেগ হাপ্পা অমুর ফেলকোন ১ নোনেদা হাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): মালেমগী অতোপ্পা লৈবাক্তগী পাইরক্নুনা ষ্টেট অসিদা চাক্তারিবা জি পি এস সেটেলাইট টেগ হাপ্পা অতাঙবা মখলগী উচেক অমুর ফেলকোন অমা থা অসিগী ৯ দা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী কেবুচীং ভিলেজদা হাংখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি ন্যু সেক্রেটরিএটতা লৈবা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টরগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়, অমুর ফেলকোন হায়রিবা উচেক মখল অসি মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিং মরুওইনা সিরিয়া, ওষ্ট্রেলিয়াদগী মণিপুরদা পাইরক্নুনা চহী অমদা চয়োল ২ নৎত্রগা ৩ মুক্তমক চাক্তারবা অতাঙবা মখলগী উচেকনি। ষ্টেট অসিদা অসিগুম্বা অতাঙবা মখলগী উচেক অসি পাইরক্নুনা চাক্তারিবা অসিগীদমক চাউথোকচরিবনি। মণিপুর অসি মালেমগী ওইনা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট ঙাক শেনবগী সেটেলাইট মেপতা কাউন্ট তৌবদা য়াওরবা ষ্টেট অমনি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মীয়াম্না মহৌশাগী ফজবা চীং, পাৎ, তুরেল অমসুং লমলক্কী শা-উচেকশিং ঙাক্তুনা থল্লক্লি। হন্দক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ইনভাইরনমেন্ট সাইটিষ্ট কয়া লাক্তুনা হায়রিবা অতাঙবা উচেক মখল অমুর ফেলকোন অসিদা জি পি এস সেটেলাইট *...মখা লামায় ৩ কলম২*

মোরে আই সী পি শাবা লোইশিল্লক্নে : হোম মিনিষ্ট্রি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সী): মপান লৈবাক্কা লোন্নবা মফমশিংদা শাগৎলিবা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট (আই সী পি) মঙা লোইশিল্লকপগী ফীভম উবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা অপেনবা ফোঙদোকখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা রাজনাথ সিংহদা মরিক চুম্বা পাউদম পীখি হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোক্লি।

হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিংনা হায়খি, ম্যান্মারগা লোন্নবা ঙমখৈগী মোরেদা শেমগৎলিবা আই সী পি অথুবা মতমদা লোইশিনবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। তোঙান তোঙানবা মফমদা লুপা ক্রোর ৭০০ চঙনা আই সী পি তরেৎ শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎপগী মনুংদা প্রোজেক্ট মঙা লোইশিল্লক্নে। মফম খরদা লেন্দ একুইজিসনগা মরী লৈননা য়েৎনবা লৈবদগী আই সী পি শাবগী থবক পন্দুনা লাকখি। অদুবু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ৱেষ্ট বেঙ্গল, উত্তর প্রদেশ, মেঘালয়া, ত্রিপুরা অমদি বিহার গভর্ণমেন্টতা অইবা চেরোল থাখ্রবা মতুংদা চেক পোষ্ট শাবগী থবক পায়খৎপা হৌরে। বোর্দর এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (বি এ দি পি) গী মখাদা মপান লৈবাক্কা লোন্নবা মফমশিংগী লম্বী-থোং শেমজিন্নবা অমদি মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংদা তোঙান তোঙানবা খুৎ-শা হৈহন্নবগী থৌরাং কয়াসু লৌখৎলে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

আই সী পি খুদিংমক্তা কষ্টমস ক্লিয়ারেন্স, ইমিগ্রেসন, পোৎচৈ থম্নবা ৱ্যের হাউস অমদি এপ্রোচ রোদনচিংবসু শেমগৎলি। থৌরাং অসিগী মখাদা কোষ্টেল বোর্দর আউট পোষ্ট ১৮ গুজরাত্তা শেমগৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা পঞ্জাব অমদি রাজস্থানগী বোর্দর ফ্লদ লাইট সিষ্টেমসু ফগৎহন্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মরী লৈনবা এজেন্সীশিংদা খঙহনখ্রে।

কোষ্টেল সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক মপান লৈবাক্কা লোন্নরিবা ঈশিংগী ঙমখৈদা কোষ্টেল পুলিস ষ্টেসন ১২১ হাংদোক্লে অমসুং ঙামীশিংদা বাইওমেট্রিক কার্দ লাখ ১৮.৫ পীরে হায়রি।

য়ুহা হাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০: মণিপুর, মিজোরাম অমদি অসামগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ঙসি নুমীদাং পুং ১০.৪৫ দা য়ুহা হাখ্রে। রিক্টর স্কেলদা ৫.৫ গী চাংদা কন্না য়ুহা হাখিবা অদুগী ইপিসেন্টর মিজোরামগী কোনুং আইজোল মনাক্তনি হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোরক্লি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ৪.২০ তাবদসু চান্দেল দিষ্ট্রিক্তা য়ুহা হাখিবগী থৌদোক থোকখি। রিক্টর স্কেলদা ৪.১গী চাংদা কনবা য়ুহা হাখিবা অদুদা থোইদোকপা অশোক-অপন অমদি অশি-অনা য়াওখিদে। চহী অসিগী জুন ১৯ দসু রিক্টর স্কেলদা ৪.৪ গী চাংদা য়ুহা হায়খিবগী থৌদোক অমসু লৈখ্রবনি।

‘নুপীশিংগী মতিক ময়াই হাপকৎপদা এদ্যুকেসন মরু ওই’



ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): নুপী ওইবীশিংগী মতিক ময়াই হাপকৎপদা এদ্যুকেসন হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়না মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা ঙসি ইম্ফাল তাঙ্খুল সনাওলোং (ইম্ফাল তাঙ্খুল ৱিমেন’স য়ুনিয়ন)গী সিলভর জুবিলী হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

এম বি সী রিক্রেসন সেন্টর দিয়ুলালেন্দদা পাঙথোকখিবা সিলভর জুবিলী হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, ইম্ফাল তাঙ্খুল ৱিমেন’স য়ুনিয়ননা তাঙ্খুল নুপীশিং অমদি মখোয়গী ইম্পাৱর-মেন্টকীদমক হৌখিবা চহী ২৫ রোম অসিদা থবক তৌদুনা লাক্লি। য়ুনিয়ন অসি লিংখৎলকপদগী নুপীশিংগীদমক থৌদাং কয়া লৌরকখি। সোসল সর্ভিস অমসুং তাঙ্খুল নুপীশিংগী মরক্তা ৱাখল লৌশিং ওইগদবা থবক থৌরম কয়াদা থৌদাংসু লৌরক্লি। তাঙ্খুল খুন্নাই অসি কলচরদা য়াম্না ইনাক খুনবা অমনি। তাঙ্খুল নুপীশিংনা মখোয়গী কলচরেল হেরিটেজ য়োকখৎনবা অমদি ঙাক্লবা থৌদাং কয়া লৌরি।

ইন্দিয়া হায়বসি সেক্যুলর দেমোক্রেসি চৎপা লমদমনি। মফম অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়া পূন্না ইকায় খুম্নমা হিংমিন্নরি। খুন্নাই অসিগী নুপীশিংদা ইম্পাৱরমেন্ট পীবদা এদ্যুকেসন হায়বসি য়াম্না মরু ওই। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম কয়াদা এদ্যুকেসনগী লম্‌দা শোত্থবা কয়া লৈরি। নুপী ওইবীশিংদা এদ্যুকেসন পীবা তাই। নুপী ওইবীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগীদমক স্কিল পীবা চঙই। ট্রেনিং অমদি এৱেরনেস কেম্প পায়খৎপা য়াই।

তাঙ্খুল ফুরুপকী অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা তোখায় তাহনবা য়াবা শাফূ কয়ানা মতম-মতমগী শীংনবা কয়া লাক্লি। তাঙ্খুল ফুরুপকী ওইনসু চরাংনবা অমদি শীংনবা কয়া মায়োক্নবা লৈখ্রে। তাঙ্খুল নুপীশিংনা ফুরুপ *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

পেনা, মতম ঈশৈ, থৌগল্লোনগী ফজবা কয়া মাঙশিল্লক্লিবসি চেকশিনবা চঙই : রতন থিয়াম

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস): লমদমসিগী ফজরবা পেনাগী, মতম ঈশৈগী, থৌগল্লোনগী লৈজরম্বা কয়া মাঙশিল্লকপসি চেকশিনবা তাই হায়না শক্লাইরবা ঠিএটর দিরেক্টর রতন থিয়ামনা ঙসি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস)কী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা লাইট ম্যুজিক কন্সর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা লাইট ম্যুজিক কন্সর্ট হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা শক্লাইরবা ঠিএটর দিরেক্টর রতন থিয়ামনা হায়খি, লমদমসিগী পেনাগী ফজরবা মশক অরিবা লোলগী, থৌগল্লোনগী ফজরবা ময়াম অমা মাঙশিল্লকপ চেকশিনবা তাই। লৈজরিবা খরা অসিদা চেকশিন্না হোৎনবা চঙই। মতম ঈশৈগী শাংলবা খোঙচৎসু লাক্লি। শৈবানবা, শৈশকপা, ইন্স্ট্রুমেন্টেলিষ্ট ময়াম্না লাইট ম্যুজিককী পুৱারী ময়েক লাহনবনি। কম্প্যুটর এজ অসিদা করম্বা ৱাখলদা লিরিসিষ্টশিংনা ইগদবনো হায়বদু খনবদা ৱারে। অফবা লিরিসিষ্ট, শৈশকপা কয়াগা লোয়ননা মতম ঈশৈ কুইনা হিংবা ওইরসনু।

মতম অমগী লিক্নোন শান্নবা চৎপদা শক্লাইরবা শৈশকপা কয়াগী ফজরবা ঈশৈ কয়া তাবা ফংখিবা অদু নীংশিংলি। টেক্নোলোজি চাউখৎলকপা *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

JOB REQUIRED

Applications are invited from the willing M&F candidates for the following post.

DETAILS OF SERVICE :

Sl.	Post	Qualification	Experience	Age	Salary	No. of Post
1.	*Computer Operator*	*DCA/BCA*	*1 yr Above*	*25 yrs & Above*	*Negotiable*	*2 (M)*
2.	*Customer care*	*Graduate Fluency Eng./ Hindi*	*1 yr Above*	*25 yrs & Above*	*Negotiable*	*2 (M/F)*
3.	*Driver*	*VIII Pass*	*2 yrs Above*	*25 yrs & Above*	*6k + Allw.*	*20 (M)*

Last date of form submission :- 12/11/2018

Imphal Finance Co-op. Thrift & Credit Society Ltd.
H.O.Loklaobung,B.O.M.G. Avenue,Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/5552/21/10-20/11